## তাইবং মালেম শেম্বা

১ মপু ইবুংঙোনা লৈশেম্বা হৌরকপা মতমদা ইহান হান্না কোইরৌ অমদি মালেম্বু শেম্মমই। ২ মতমদুদা মালেমসি মওং নাইদবা অচৌবা ঈয়াইদা অমম্বনা কুপ্তুনা লৈরমই। চাংজৌ নাইদ্রবা ঈপাক্তা মপু ইবুংঙোগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা কুপশিন্দুনা লৈরমই। ৩ অসিগুম্বা মওংদা লৈরিঙৈদা মপু ইবুংঙোনা হায়রমই, "মঙান থোকসনু।" তাকপিখিবা য়াথংসিগী মতুংইন্না মঙান থোকখি। ৪ মপু ইবুংঙোনা মঙান্দু নিংথিজরে ফজরে হায়বা উবিখি। ইবুংঙোনা মঙান্দু অমম্বদগী খাইদোকপিখি। ৫ ইবুংঙোনা মঙান্দুবু অয়ুক-নুংথিন অদুগা অমম্বদুবুনা নুমিদাং কৌখি। অসুম্না নুমিদাং অমদি নুংথিনগী খোঙচৎ থোকহনখি।

মসি লোইখিবা নুমিৎসিবু অহানবা নুমিৎ কৌবিখি।

৬ মসিগী মতুংদা মপু ইবুংঙোনা হায়রমই, "নোংথক অমদি চাংজৌ নাইদ্রবা ঈপাক তোঙান তোঙান তাসনু।" ৭ অসুম্না মপু ইবুংঙোনা নোংথক থোকহনবিখি। নোংথক অমদি নোংখা অনিদা লৈরিবা লাইজ ঈশিংবু তোঙান্না খাইদোকপিখি। ৮ নোংথকপু মপু ইবুংঙোনা কৌইরৌ হায়না চিঙ্গোইবিখি। অমম অঙান অনি অমুক্কা হন্না শিন্নখি। মসিনা অনিশুবা নুমিৎ ওইখি।

৯ মসিগী মথংদা মপু ইবুংঙোনা হায়খি, "কৌইরৌ নোংমদোনগী মখাদা লৈরিবা লাইজ ঈশিং পুম্বা মফম অমদা পুনশিনবা ওইসনু। অদুগা কংফান থোকসনু।" য়াথংসিগী মতুংইন্না হায়রিবা অসিমক ওইখি। ১০ মপু ইবুংঙোনা অকংবা লমদুবু কংফান কৌখি। লাইজ ঈশিংগী ইপাক্তুবুনা চাংজৌরেন কৌখি। মপু ইবুংঙোনা মসিবু নিংথিজরে হায়বসি উবিখি। ১১ মসিগী মতুংদা মপু ইবুংঙোনা য়াথং তৌরকই, "মালেমসিদা মহৈ মরোং অমদি মনা মশিং মপান নাইদনা হৌবা ওইসনু। মালেমসিদা মহৈ মরোংগী পাম্বী হৌসনু। মাগী মাগী জাৎকী মতুংইন্না উহৈ ৱাহৈ পানবা ওইসনু।" মতৌ অসুম্না পুম্নমকসি ওইখি। ১২ মালেমসি পুমশং শংখি। মাগী মাগী জাৎকী মতুংইন্না মহৈ মরোং অমদি উহৈ ৱাহৈশিংগী পাম্বীশিং হৌখি। পুম্নমকসি নিংথিজরে অমদি য়াইফরে হায়বসি মপু ইবুংঙোনা মিৎয়েং তাবিখি। ১৩ অমম অঙান অনি অমুক শিন্নরে। মসিবু হুম্মিশুবা নুমিৎ কৌখি।

১৪ মপু ইবুংঙোনা অমুক্কা হন্না য়াথং তৌবিখি, "অহিং নুংথিন অনি খাইদোক্নবা ইহাং হাংদুনা লৈরিবা কৌইরৌ নোংমদোন্দা মঙান থোকসনু। হায়রিবা মঙানশিংসিনা কুমজা কুমওন অমদি খোঙচৎ তাকসনু। ১৫ মঙান-শিংসিনা অহাংবা কোইরৌ নোংমদোন্দগী মঙান পিদুনা মালেমসিদা মঙান ফংবা ওইসনু।" হায়রিবসিসু তৌবিখ্রিবা য়াথংদুগী মতুংইন্না থোকখি। ১৬ মপু ইবুংঙোনা য়াম্না লংবা মঙান অনি শেম্বিখি। খরা হেন্না লংবা অমদি অচৌবা মঙান্দুবুনা নুংথিন্দা থোক্নবা য়াথং তৌবিখি। খরা হম্বদুবুনা নুমিদাংদা থোকহনবিখি।

১.৩ : ২ কোরিঃ ৪ ঃ ৬। ১.৬-৮ : ২ পিঃ ৩ ঃ ৫।

হায়রিবা অনিসিগা লোয়ননা ইবুংঙোনা থৱান মিচাকশিং থোকহনখি। ১৭-১৮ অহিং নুংথিন অনি খাইদোক্তুনা অমম অঙান নাইহনদুনা কোইরৌথক্তগী মঙান মালেমদা তাননবা পুম্নমকসিবু নোংমদোন্দা লৈহনখি। পুম্নমকসিসু মপু ইবুংঙোনা য়াইফরে অমদি নিংথিরে হায়বসি খঙবিখি।

২০ মপু ইবুংঙোনা য়াথং তৌবিখি, "লাইজ ঈরোম্নুংদা লেংলি পাল্লিবা জিবশিং লৈসনু। কোইরৌ নোংমদোন্দনা মশা পানবা উচেক ৱায়া লৈসনু।" ২১ অসুম্না মপু ইবুংঙোনা ঈরোম্নুংদা লৈরিবা অচৌবা জিবশিং, লেম্মৈ ঙাসু ঙাশিং ৱাত্তনা অদুগা চেক্লাচাশিংসু মশিং ৱাত্তনা শেম্বিখি। পুম্নমকসি মপু ইবুংঙোনা য়াইফ থৌনি হায়বসি উবিখি। ২২ মরমসিনা ইবুংঙোনা পুম্নমকসিবু কুবিখি। ইবুংঙোনা হায়রকই, "মহৈ য়াঙ্গরো। মশিং ল্লাকঙমদনা হেনগৎচরো। লাইজ ঈপাক থম্না লৈবা ওইজরো। মালেমদসু চেক্লাচাশিংনা মপান নাইদনা লৈবা ওইসনু। ২৩ অসুম্না অমম অঙান শিন্নরে। মঙানিশুবা নুমিৎ ওইখি।

২৪ মপু ইবুংঙোনা তাকপিখি, "মখোয়গী জাৎ মতুংইন্না অমদি মশিং শুনা মালেমসিদা লেংলি পাল্লিবা জিব পুম্নমক লৈবা ওইসনু। স্নাথংসিগী মতুংইন্না শা-ষন, লিনগী কাংলুপ, লমন্তা লৈবা শাশিংনচিংবা থোকহনখি। ২৫ মপু ইবুংঙোনা লমশা, শা-ষন, মপুক্লা শিত্তুনা চৎপশিং মাগী মাগী জাৎকী মতুংইন্না শেম্বিখি। পুম্নমকসি মপু ইবুংঙোনা নিংথিজরে হায়বসি উবিখি। ২৬ মসিগী মতুংদা মপু ইবুংঙোনা খনখি, "মীতম্নসি। ঐখোয়গী মি অমদি ঐখোয় মান্না মী শেমদুনা ঈরোম্নুংদা লৈরিবা লেম্মৈ ঙাশিং, কোইরৌথক্তা পাইরিবা চেক্লাশিং, মালেমসিদা লৈরিবা শা-ষন, লমশা অমদি মপুক্লা শিত্তুনা চৎলিবা জিব পুম্নমক্কী মথক্তা মপু ওইহল্লগে।" ২৭ মতৌ অসুম্না মপু ইবুংঙোনা মীওইববু ইবুংঙোমক্কী মিতম লৌদুনা শেম্বিখি। মপু ইবুংঙোগী মিরেপ মিপানগা মান্নহনখি। নুপা নুপী অনি খাইবিখি। ২৮ মপু ইবুংঙোনা নুপা নুপী অনিবু কুবিরদুনা অসুম্না তাকপিখি, "মহৈ য়াঙ্গরো অদুগা মপান নাইদনা মশিং হেন্নৎচরো। মালেমসি শিনবা থুংনা শন্দোকচরো অদুগা মসিগী মপুদু ওইজরো। ঈরোম্নুংদা লৈরিবা লেম্মৈ ঙাশিং, নোংমদোন্দা লৈরিবা চেক্লাশিং, অমদি মালেমসিদা লৈরিবা লেংলি পাল্লিবা জিব পুম্নমক্কী মথক্তা নিংতম্না পাঞ্জৌ। ২৯ মসিগা লোয়ননা মপু ইবুংঙোনা অসুম্নসু তাকপিখি, "মালেমসিদা হৌরিবা মহৈ মরোং পানবা মালেমসি শিনবা থুংনা হৌরিবা পাম্বীশিং, উহৈ ৱাহৈ পানবা পাম্বী পুম্বা, নখোয় অনিদা পিথোক্লবনি। হায়রিবশিংসি নখোয়গী নচিঞ্জাক ওইগদৌবনি। ৩০ অদুগা অশংবা মনা মশিং অমদি উহৈ ৱাহৈশিংসি লমশা অমদি নোংমদোন্দা লৈরিবা উচেক ৱায়াশিং অদুগা মপুক্লা শিত্তুনা চৎপা লেংলি পাল্লিবা জিবশিংদা মচিঞ্জাক ওইজনবসু পিবিরবনি। তাকপিখিবা য়াথংদুগী মতুংইন্না পুম্নমকসি ওইখি। ৩১ মপু ইবুংঙোনা শেমখিবা খুৎশেমমশিংসি য়েংবদা য়াম্না নিংথিজরে য়াইফরে উবিখি। অসুম্না অমম অঙান অনি শিন্নরে। তরুক্লিশুবা নুমিৎ ওইখি।

২ মতৌ অসুম্না কোইরৌ মালেম অসিসি মশিং লাকঙমদ্রবা পোৎশিংসিনা লৈতেং ওইরদুনা শেম্বিবা লোইখি। ২ মপু ইবুংঙোনা লৈশেম্বা নুমিৎ তরুক্লিদা লোইখি। তরেৎনি শুবা নুমিত্তা ইবুংঙোনা খুৎলেপখি। ৩ মপু ইবুংঙোনা তরেৎনি শুবা নুমিৎসিবু য়াইফবা নুমিৎ কৌবিখি। মসিবু অশেঙবা অথোইবা নুমিৎনি হায়না চিঙ্গোইবিখি। হায়রিবা তরেৎনি শুবা নুমিৎসিদা ইবুংঙোনা লৈশেম্বা লোইরদুনা খুৎ লেপখি।

৪ মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা নোংমদোন অমদি মালেম অনিসি শেমখিবগী ৱারিদু মসিনি।

**১. ২৬ :** ১ কোরিঃ ১১ : ৭। **১. ২৭ :** মাথি ১৯ : ৪ ; মার্ক ১০ : ৬। **১. ২৭-২৮ :** মৈঃ ৫ : ১-২।
**২. ২ :** ইব্রীয় ৪ : ৪, ১০। **২. ২-৩ :** খোঙঃ ২০ : ১১।

## এদেন কৌবা লৈকোনে

৫ মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা কোইরৌ
মালেমসি শেম্বিবা মতমদা মালেমসিদা
থোইদোকপা মহৈ মরোং অমদি উহৈ ৱাহৈগী
পাম্বীশিং হৌরমদে। মরমদি মপু ইবুংঙো
লাইনিংথৌনা লাইজ ঈশিং খিকপিরমদে। অদুগা
মালেমসিবু খোইগাইদুনা মহৈ মরোং থোক্লনবা
তাইবং মীসু লৈরমদে। ৬ অদুবু মালেমসিদগী
লৈনিন কারক্তুনা লৈচিন থোকহন্দুনা মালেমসিগী
লৈমায় শিনবা থুংনা লাইজ ঈশিং লৈহনখি।
৭ মতমদুদা মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা মালেম
উফুনলক্তগী মী অমা শেম্বিরে। মীদুগী মনাতোন্দা
ইবুংঙোনা পুনসিগী থৱাই কামশিনবিখি। মতৌ
অসুম্না হায়রিবা নুপাদু অহিংবা জিব অমা
ওইখি। ৮ মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা নোংপোক
হারম পাংবদা লৈবা ইদেন কৌবা মফমদা
ইশ্বোন অমা শেমখি। ইবুংঙোনা শেম্বিখিবা মীদু
মফমদুদা লৈহনবিখি। ৯ মালেম লৈমায়দগী
মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা উপান ৱাপান
থোকহনখি। উপান ৱাপানশিংদু য়েংবদা য়াম্না
পুক্নিং চুরমই। চিঞ্জাক ওইনা শিজিন্নবসু
য়ারমই। ইবুংঙোনা হিঙ্গোন্দুগী ময়াইমক্তা
পুনসিগী হিংনবগী উপান অমা থারমই।
হায়রিবা উপানসি অফ-ফত্ত খঙননবা লৌশিংগী
পাম্বী ওইরমই।

১০ হিঙ্গোন্দু ঈশিং চাইননবগীদমক ইদেন্দগী
তুরেন অমা চেলহল্লমই। হিঙ্গোন্দু হেন্দোকখ্রবা
মতুংদা হায়রিবা তুরেনসি মরি থোক্লা খাইরমই।
১১ তুরেনসিগী অহানবা মশাদু পিশোন কৌরমই।
পিশোন তুরেন্না সনা য়াম্না থোকপা মফম হবিলা
কৌবদু কোইশিন্দুনা লৈরমই। ১২ হায়রিবা
লমসিগী সনাদু য়াম্না ফরমই। অসিদসু নত্তনা
লমসিদা মনম নুংশিরবা আগর পাম্বীগুম্বা অমদি
মণিনচিংবসু ফংলমই। ১৩ অনিশুবা মশা
ওইখিবা তুরেন্দুনা গিহোন কৌরমই। মসিনা
কুশকী লম থুংনা চেল্লমই। ১৪ অহুমশুবা
মশাদুনা তাইগ্রিস কৌরমই। মসিনা অসুরগী
নোংপোক্তা লৈরিবা লমশিংদু থুংনা চেল্লমই।
মরিশুবা মশাদুনা ইউফ্রেৎসি কৌরমই।

১৫ মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা নুপাদুবু
ইদেন কৌবা মফমদা লৈরিবা হিঙ্গোন্দু
কোইননবা লৈহল্লমই। ১৬ ইবুংঙোনা নুপাদুদা
হায়রমই, "নহাক্না হিঙ্গোনসিদা হৌরিবা উপান
খুদিংদগী মহৈ চাবা য়াই। ১৭ অদুবু অফ-
ফত্তগী লৌশিংগী উপানসিদগীদি নহাক্না মহৈদু
চাফরোই। মরমদি নহাক্না হায়রিবা উপানসিগী
মহৈদু চারুবা নুমিত্তা শোইদনা শিগনি।"
১৮ মসিগী মতুংদা মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা
হায়রমই, "নুপাসি মতোমতা লৈবা ফত্তে।
ঐনা মহাক্কীদমক মপাং অমা পিবিরগে।"
১৯ অসুম্না মপু ইবুংঙোনা মালেম লৈদগী শা-
উচেক অদুগা নোংমেদোন্দা লৈরিব চেক্লাশিং
শেম্বিখি। ইবুংঙোনা হায়রিবশিংসি নুপাদুগী
মনাক্তা পুবিরক্তুনা করি করি মমিং থোনগদগে
হায়বদুগীদমক য়েংহনবিরমই। নুপাদুনা
থোনখিবা মমিংদু জিবশিংদুগী মশাগী মমিং
ওইরমই। ২০ মতৌ অসুম্না নুপাদুনা শা-ষন,
নোংমদোন্দা লৈরিবা উচেক ৱায়া অমদি
লমশাশিংদা মমিং থোনবিরমই। তৌইগুম্বসুং
নুপাদুগী ওইনদি মপাং অমা ফাওবা লৈরমদে।
২১ মরমসিনা মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা
নুপাদুবু শিথহল্লমই। মহাক্না খোম্লেন তুমখুন
তানবগুম্না লৈরিঙৈদা ইবুংঙোনা নুপাদুদগী শরু
অমা লৌথোকখি। শরু লৌথোকখিবা মফমদু
শদোংনা ফুলহনখি। ২২ নুপাদুগী মশাদগী
লৌথোকখিবা শরুদুনা মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা
নুপী অমগী শক্তম থোকহনখি। ইবুংঙোনা
নুপীদুবু নুপাদুগী মনাক্তা পুরকখি। ২৩ মতাং-
সিদা নুপাদুনা হায়খি,

"হৌজিক্তি অরোইবদা নুপী হায়বসি,
ওইখি ঐগী ঈ তোংদগী মীরেপ,
ওইখি ঐগী শদোংদগী মহাক্কী শদোং,

**২. ৭ :** ১ কোরি: ১৫ : ৪৫। **২. ৯ :** ফোং: ২ : ৭, ২২ : ২, ১৪।
**২. ২৪ :** মাথি ১৯ : ৫ ; মার্ক ১০ : ৭-৮, ১ কোরি: ৬ : ১৬ ; এফি: ৫ : ৩১।

মরমসিনা কৌরনি মহাকপু নুপী হায়না,
থোকখি নুপাদগী নুপী কৌবসি।"

২৪ মরমসিনা নুপানা মপা মমা থাদোক্তুনা
মাগী নুপীগা লৈমিন্নগদবনি। মরমসিনা মখোয়
অনি মশা অমত্তা ওইগদবনি। ২৫ নুপা অমদি
নুপী মতৈ মনাওদু ফি শেৎলমদে। অদুগা
মখোয় অনি উনবা মতমদা ইকাইবগী ইথিনসু
ফাওরমদে।

## মীওইবনা লৈখা তাবা

৩ মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা শেম্বীখিবা
জিবশিংগী মনুংদা লিন হায়বসিনা খ্বাইদগী
লৌথিবা হেল্লমই। লিন্দুনা নুপীদুদা হায়রমই,
"মপু ইবুংঙোনা হিঙ্গোনসিদা হৌরিবা উপান-
শিংসিদগী মহৈ মরোং চাবা য়ারোই হায়না
থিংই হায়বসি অচুম্বা ?" ২ নুপীদুনা লিন্দুদা
খুম্নমই, "হিঙ্গোনগী ময়াইদা হৌরিবা উপানসি
নত্তনা অতৈ পাম্বীশিংদগী মহৈ চাবা য়াই।
হায়রিবা পাম্বীসিদি চাবদি লাইরদুনা শোকপা
ফাওবা মপু ইবুংঙোনা থিংই। করিগুম্বা
ঐখোয়না য়াথংদু হিক্তোক্লবদি শিবা তাই।"
৪ লিন্দুনা হায়রমই, "নত্তে, নত্তে, নখোয় করিসু
শিরোই। ৫ নখোয়না পাম্বীদুগী মহৈদু হেক
চাবগা নমিৎ পাংলক্কনি অদুগা অফ-ফত্ত
অনিমক খঙদুনা মপু ইবুংঙোগা মান্নরক্কনি
হায়বসি মপু ইবুংঙোনা য়াম্না ফজনা খঙই।"
৬ উহৈদু চাবদা কান্নে অদুগা লৌশিং শিংহনগনি
হায়বসি তাবদা মমিৎনা য়েংবদা অপেনবা
অমা পোক্লমই। চানিংবনা থাংবা ঙমদ্রদুনা
নুপীদুনা খরা হেক্লগা চাথোকখিরমই। নুপীদুনা
মপুরোইবদা খরা অমসু পিরমই। অদুগা
নুপাদুনা মদু চাখি। ৭ মসিগী মতুংদা নুপা
অমদি নুপী অনিগী মমিৎ হাংদোকখি। ইহান
হান্না মখোয় ফি শেৎলমদে হায়বসি খঙলকখি।
মরমসিনা মখোয় অনিনা থৈবোং পাম্বীগী মনানা
মখ্বাং কুপ্পবা ফিজেৎ শেম্নগা শেৎলমই।

৮ নুপা অমদি মহাক্কী নুপীনা নুমিদাংৱাই-
রমগী নামিবা নুংশিৎ লাকপা মতমদা মপু
ইবুংঙো লাইনিংথৌনা হিঙ্গোন্দুদা খোঙদোয়রক-
পগী মখোন তারমই। মরমসিনা মখোয়
অনিমক হিঙ্গোন্দুদা হৌরিবা উপানশিংগী
মরক্তা লোৎলমই। ৯ অদুবু মপু ইবুংঙো
লাইনিংথৌনা নুপাদুগী মনাক্তা লাক্লগা হায়রমই,
"নহাক কদায়দা লৈ ?" ১০ নুপাদুনা খুম্নমই,
"ইবুংঙোনা হিঙ্গোন্দা খোঙদোইরকপদুগী
মখোন্দু ননাইনা তাজরমই। ঐহাক ফি
শেত্তবা মরম্না পুক্লিংদা অকিবা ফাওরমই।
মরমসিনা ঐহাক লোৎচরিবনি।" ১১ মপু
ইবুংঙোনা মসি তাবদা হায়রক্লমই, "নহাক
নফি শেত্তে হায়বসি কনানা হায়বগে ? ঐনা
চারুনু হায়না থিংলম্বা উপান্দুদগী মহৈ নহাক্না
চারুরব্রা ?" ১২ মসি তাবদা নুপাদুনা খুম্নমই,
"ঐগী ইপাং ওইননবা পিবিখিবা নুপীদুনা
উপান্দুগী মহৈদু ঐঙোন্দা পিরমই। অদুগা
মদুমক ঐনা চাথোকখ্রে।" ১৩ মপু ইবুংঙো
লাইনিংথৌনা নুপীদুদা হায়রমই, "নহাক্না
তৌরিবসি করিনো হায়বসি নহাক খঙলব্রা ?"
নুপীদুনা হায়রমই, "লিন্দুনা ঐঙোন্দা নমথাক
তৌখিবদগী ঐসু উহৈদু চারুবনি !" ১৪ ৱাফম
অসি তারবদা মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা
লিন্দুগী মফমদা অসুম্না হায়খি,

নমথাক তৌবা মরমদগী নহাক
লৈখা তারবনি,
চাংদমনিংঙাই লৈররোই শাশিং
ফাওবা নহাক্না।
চৎকনি নপুক্না শিত্তুনা নপুনসি চুপ্পা,
হিংগনি চাদুনা উফুন নপুনসি লৈরিবমখৈ।
১৫ ঙসি নুপী অমদি নহাক্কী নরক্তা য়েক্না
তিংখং থাক্লম্নগে,
নহাক্কী অমদি মহাক্কী চারোন্দা
লাংসি লৈহৌনি।
মহাক্না নহাক্কী নকোক্তু নোইহৎকনি,
অদুগা মহাক্কী চারোনশিংদু নহাক্না মখুনিংদা

৩. ১ : ফোং঳ ১২ ঃ ৯, ২০ ঃ ২। ৩. ১৩ : ২ কোরিঃ ১১ ঃ ৩; ১ তীমোঃ ২ ঃ ১৪।
৩. ১৫ : ফোং঳ ১২ ঃ ১৭।

চিকপা ওইয়ু ।
১৬ ইবুংঙোনা নুপীদুদা হায়রমই,
ঐনা নহাক্কী নাওয়েক মপান নাইদনা
লৈহনগনি,
থোইনদুম তেংথা নাওইহনগনি,
নাওয়েক খাংদুনা নচা পোকহনগনি,
নুপা তিম্মনিংবগী মৈচাক খাংহনগনি,
নুপানা নহাক্কী নথক্তা পানগনি ।
১৭ ইবুংঙোনা নুপাদুদা ওনশিল্লদুনা হায়রকই,
নহাক্না নুপীনা হায়বা য়াদুনা,
ঐনা চাফরোই থিংখিবা উপানগী মহে
চারুবদগী,
নশুংলাংদগী মালেমসি লৈকং ওইহনগনি ।
নপুনসিসিনা লৈরিবমখৈ হুমাংমন্না নচিনজাক
তানগনি ।
মালেমসি নাপী অমদি তিংখংনা থনগনি,
চাবা য়াদবা পাম্বীঙাক্তা হৌগনি ।
নশাদগী তারকপা হুমাংমন্দনা নপুক থনগনি ।
১৯ মসি নহাক্না তাইবংসিদা লৈরিবমখৈ
থোক্লগদবনি
মরমদি নহাক লৈপাক্তগী শেম্বনি ।
নহাক লৈফুন্নি মরমসিনা নহাক লৈফুন্দা
হনগদবনি ।”
২০ নুপাদুনা মহাক্কী নুপীদুবু “ইব্ব” কৌরমই
মরমদি মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা পুম্বা
মাঙোন্দগী হৌরকখি। ২১ মপু ইবুংঙো
লাইনিংথৌনা শাগী মউন্দগী শেম্বা ফিনা আদম
অমদি ইব্ব অনিবু শেৎপিরমই। ২২ ইবুংঙোনা
হায়রকই, “হৌজিক্তি নুপাসি ঐখোয়গুম্মে।
মহাক অফ-ফত্ত অনিমক খঙলে। অদুনদি
করিগুম্বা মহাক্না মখুৎনা ফংনা শিনাইদবা
পুনসিগী মহৈদুসু হেক্তুনা চাখিবা থোক্লবদি
শিনাইদবা পুনসি ফংলোইদ্রা?” ২৩ মরমসিনা
মপু ইবুংঙো লাইনিংথৌনা ইদেনগী হিঙ্গোন্দগী
মহাকপু শাবিখিবা মালেমসিগী উফুল্লক্তা থবক
শুদুনা চারুনবা তাম্থোকখি। ২৪ ইংবুঙোনা
নুপাদুবু তাম্থোক্লে অদুগা ইদেনগী নোংপোক থংবা
মায়কৈদা ইবুংঙোনা করুবিম অমদি নোংথাংগী
থাংশাং অমা মৈঙানগুম্না লংহন্দুনা মাইকৈ খুদিং
কোইশিনহন্দুনা শিদয়াইং পাম্বীদু ঙাকখি ।

**কোন অমদি অবেল**

৩. ১৭-১৮ : ইব্রীয় ৬ ঃ ৮। ৩. ২২ : ফোংঃ ২২ ঃ
৪. ৮ : মাথি ২৩ ঃ ৩৫ ; লুক্ ১১ ঃ ৫১ ; ১ যোঃ ৩ ঃ ১২ ।


# THE HOLY BIBLE

*Manipuri*

1984

*3,500 Copies*


©


The Bible Society of India
20 Mahatma Gandhi Road
Bangalore